# টলাদ থাই মার্কেট, থাইলেন্দ : এসিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা লৌউ-শিংউবগী পোথোক্কী হোলসেল মার্কেট




**ডো: য়ূম্নাম বেদজিৎ**

টলাদ থাই মার্কেট অসি এসিয়াগী লৈবাক পূন্নমক্তা খ্বাইদগী চাউবা লৌউ-শিংউবগা মরী লৈনবা পোৎলমশিংগী কৈথেল অমা ওইবনিনা ঐখোয়না তমজবা য়াবা থৌওং কয়া লৈরি। হায়রিবা কৈথেল অসি বেঙ্কোক্কী সুভরনভুমি এয়রপোর্ট হায়বদি বি কে কে এয়রপোর্টতগী চাউরাক্লা কিলোমিটর ৫৮ রোম লাপ্পা Phaholyothin road, Khlong Nueng district, Pathum Thani province তা লৈ। কুমজা ১৯৯৭তা থাই এগ্রো প্রদক্টস কম্পেনি লিমিটেদনা টলাদ থাই মার্কেট অসি হৌদোকখিবগা লোয়ননা থাইলেন্দদা ফংবা লৌউ-শিংউবগী পোৎশকশিং অমদি অতৈ লৈবাকশিংদা ফংবা পোৎশকশিংবু য়োন্থোক য়োনশিন তৌননবা লম্বী অমা শেম্বা হৌরকখি। হায়রিবা কৈথেল অসি চাওরাক্লা স্কৱার মিলিয়ন অমরোম চাউই। দুকান ৯৯৮ লৈ অমদি লল্লোন ইতিক তৌবা মীওই ৩৫০০ রোম লৈ। লৌমী ২,০০,০০০দগী ২,৫০,০০০ রোম কৈথেল অসিগা মরী লৈনবা থবক তৌই। হায়রিবা কৈথেল অসিদা নোংমদা য়োন্থোক-য়োনশিন তৌরিবা পোৎলমশিং অসি চাওরাক্লা এম টি (মেত্রিক টন) ১০,০০০ ওই অদুগা চহীগী ওইবা কৈথেল অসিগী টর্নওভরনা য়ু এস দোলর বিলিয়ন ৬ ওই।

কৈথেল অসিদা মরু ওইনা লৈবা পোৎলম খরগী মমিং পল্লবদা-

(১) মনা মশিং অমসুং উহৈ-ৱাহৈ।

(২) শা-ঙা অমদি সমুদ্রদগী ফংবা চাননবা পোৎলমশিং।

(৩) চেঙ, চুজাক অমদি অতোপ্পা মরূ মরাংশিং।

(৪) লৈ, পাম্বী অমদি লৈতেংগী ওইবা জীবশিং।

(৫) কঙহন্দুনা লীবা চিঙ্গাক্কী কৈথেল অমদি মিসেলিনস মার্কেট হায়বদি মখল মখা কয়াগী পোৎশকশিংগী কৈথেলনি।

টলাদ থাই হায়রিবা কৈথেল অসিদা ঐখোয়গী লমদম অসিদা চানরিবা মনা-মশিং অমদি থরোই, শোইবুম, হঙোই, নাউশেক্লচিংবা মখল কয়া মরাং কায়না ফংই। ফর্মেন্টেদ প্রদক্ট কয়া অমসু ফংলি। হায়রিবা কৈথেল অসিগা পৃথিবীগী লৈবাক খুদিংমক্তা নুংতিগী পোৎ য়োন্থোক য়োনশিন তৌরি। মরম অদুনা কৈথেল অসিগী মার্কেটিং চেনেল খঙজিনবদা য়াম্না কান্নবা ওইগনি। মরু ওইনা ঙাশিং অসিগী য়োন্থোক য়োনশিন তৌবা অসি য়াম্না চাউনা তৌরকপনিনা করিগুম্বা য়োনবা ঙমদ্রবদি নুমিৎকী মৈশানা কঙহনবগী খুদোংচাবসু লৈ। মসিগীসু মথক্তা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা মফমদদি য়াম্না চানদবা ঐখোয়গী লমদম অসিদদি য়াম্না পাম্না চানরিবা ঙারি অসি টলাদ থাইগুম্বা কৈথেল অমদা য়োনবা ঙল্লবদি য়াম্না কান্নবা অমা ওইগনি। মসিদসু নত্তে শোইবুম, শোইজিন, শোইদোন, লাইৱানচিংবা কয়াসু হায়রিবা কৈথেল অসিদা য়ৌহনবা ঙল্লবদি লমদম অসিগী অচৌবা কান্নবা ওইগনি। মসিগীসু মথক্তা থরোই, হঙোই, নাওশেক্লচিংবা কয়া অমসু লমদম অসিদা মরাং কায়না পুথোক্তুনা এসিয়াগী ওইবা খ্বাইদগী চাউবা কৈথেল অসিদা য়ৌহনবা ঙল্লবদি অসুক্কী মতিক কান্নবা ওইগনি।

মনা-মশিং কয়া ইন্দিয়াগী অতৈ মফমদদি পাম্না চানদবা অদুবু মণিপুরদদি য়াম্না পাম্না চানবা খুদম ওইনা হায়রবদা শৌগ্রি, অৱা ফদিগোম, ময়াংতোন/ময়াংবা, তোনীংখোক, তেংনৌমানবী, য়োংচাক্লচিংবা কয়া কৈথেল অসিদা অচৌবা পোথোক অমা ওইনা য়োন্নরি। সমুদ্রগী ওইবা পোথোকশিং খুদম ওইনা হায়রবদা Oyster, Octopus, Squid, Cuttle Fish, Shark Fins, Prawns, Crabs, Lobster নচিংবা মখল কয়া অমসু ফংলি। হায়রিবা পোৎশকশিং অসি মণিপুরদসু য়াম্না পাম্না চানগদৌবা পোৎশক/চিঙ্গাক ঙাক্তনি। মখল মখা কয়াগী হৈ, লৈশিং ফংলি। হৈ মখল অমা পল্লবদা নোবাব অসি মরাং কায়না য়োনবদা নত্তনা য়াম্না পাম্না চানৈ।

ঙসিগী ওইনদি টলাদ থাইগী মতাংদা শম্লপ্পা খরসিখক থমজরগে মথংদা শুগাইনা থমজনবগী খুদোংচাবা অমুক লৌজগে। ●

# কুমজা ২০১৪গী সেপ্টেম্বর খোঙচত্তা টিরুপতি - (১)

## (লম কোয়বা হায়বসি অনৌবা উদ্রিবা ফজবা মফমশিং উরুরগা কোয়রুবগী অৱাবা পূন্নমকপু কাউথোকপা ঙমহল্লিবা খোঙচৎ অমনি)

**সৌবাম বিরধজ**

হৌখিবা কুমজা ২০১৪গী সেপ্টেম্বর হৌরকপদা কর্ণাটকাগী বেলগমদা লৈবা কে এল ঈ (কর্ণাটকা লিঙ্গয়ৎ এদ্যুকেসনল) ত্রষ্টনা চলাইবা 'জৱাহরলাল নেহরু মেদিকেল কোলেজ' দা ইচানুপীবু এম বি বি এস অহানবা চহীদা মমিং চল্লন্নগা কোলেজদা লৈহৌরে। নুমিদাং পুং ৯.৩০গী বোলভো বস তোংলগা বেঙ্গলুরু তম্না লাক্লে। অহিংদুমা চেক-মোক লাউদ্রবা বসতুদা নুঙাইনা তূল্লগা নোংঙাল্লকপা অয়ূক্কী পুং ৫.৩০দা বেঙ্গলুরুদা থুংলে। ঐগী লোয়নবী সৈত্যবতি ইবানিগী খোঙচৎসি চেন্নাইদা লৈবা সী এম সী (চেন্নাই মেদিকেল সেন্টর) হোস্পিটালদা ইবানিগী হকচাং চ্যেক অপ তৌরগা অমুক মফমদুদা টিরুপতি মন্দিরদা লাই খুরুম্বগী খোঙচৎ অমনি। বেঙ্গলুরুদগী নুমিদাং পুং ৮.৩০দগী বোলভো বস তোংলগা চেন্নাইগীদমক বস অদুদা তূম্না তূম্না লাক্লগা নোংঙাল্লকপা অয়ূক পুং ৭.৩০দা চেন্নাইদা থুংলে, হোটেল অমদা লৈরে। হোটেলদুদা অয়ূক্কী ব্রেকফাষ্ট চাদ্রে, হোরেন টেষ্ট তৌরগা চারসি হায়না থৌওইনা চাদ্রিবনি। অয়ূক পুং ৯.৩০দা হোস্পিটালদা চঙলক্লে। ঐখোয়গী এদ্রেসতা য়েংলগা লৈরল্লিবা রিসেপসন নুপীদুনা ঐখোয়দা হোস্পিটালদুদা থবক তৌবী মণিপুরী নুপী ১/২গী মমিং অমসুং মোবাইল নম্বর পীরকই, নম্বর অমদা ফোন তৌরে। মীতৈলোলগী খোঞ্জেল তারক্তবা ফনা কুইরবনি, হৌজিক রুম নম্বর কয়াদা লৈবিরিবগে? ঐহাক্লা অদোমগীদমক ঐখোয়গী জুনিয়র অমা মতেং পাংননবা থাজরক্কে, মফমদুদা ঙাইহাক লৈবিরো ককা হায়না হায়রক্লে। ঙাইহাক্কী তুংদা মখোয় লৈশাবী অনী ঐখোয়গী মতেং পাংননবা লাক্লে। মখোয় অনীনা লমজিংবদগী প্রোগ্রেস য়াম্না থুরে। হোল বোদি চ্যেক অপ তৌরে। ঈ চীংদুনা টেষ্ট তৌবা, মখল মখাগী টেষ্ট পূন্নমক তৌদুনা রিজল্টকী রিপোর্ট পুং ১দগী ফংলগনি হায়দুনা ঐখোয় মরি কান্টিন্দা করি করিনো খরা চামিন্নরে। ৱারী-ৱাতাই সুম শান্নরকপদৈ ঐখোয় মমানা টিরুপতি লাই খুরুম্বগী মরমদা হংলুরে। মদুদগী মখোয়না হোস্পিটালগী গেট অসিগী হেক ওপোজিত্তা টিকেট কাউন্টর লৈরবনি। রিজল্ট লাক্লগা কক্ননবা হায়দুনা রিপোর্ট ঙাইরি। মখোয় অনীনা কোইচেন চেল্লদুনা রিপোর্ট পুরক্তুনা য়েংমিন্নরগা হীদাক খরা লৈননবা হায়রক্লে। থোইদোকপা অরুবা অমত্তা লৈতে, নোর্মেলনি হায়বদগী ঐখোয়সু টিরুপতি চৎননবা টিকেট কাউন্টরদগী কক্লগা টিরুপতি মায়কৈ পাংলক্লে।

টিরুপতি য়ৌরগা পূক্লিং তথকই হোটেল অমদা চাক চারে। চাক চারমদাইদা (মিনুদা য়েংবদা) মহাওদি খঙদ্রি মমলদি হোঙই খনখিবনি। মমলদুগা য়েংনবদা য়াম্না হোঙই, লমকোয়বশিং পূন্নমক্কী য়েংলগা চৎনবা য়াবা মমলদা ফংহনবনি। ষ্টেন্দর্দ য়াম্না ফীভম ফখ্রবা হোটেল মখল মখলশিং লৈরিবনি। ঐখোয় অনীনা অহানবা থেংনবা অমদা হেক্তা চঙলকপনি। চাবা থকপা লোইরদুনা হোটেলগী মীওইদা লৈফম হংলুই। নোংমদা ৪০০/৫০০/৬০০ মখল মখা কয়ামরুম লৈ। হৌজিক্তি কা অমত্তা হাঙদ্রে। অয়ূক পুং ১০দগী পরেং লেংগনি ফংহৌবমখৈ ফংলে, মীকুপ্তা লোইরে। কলাবজার খরদা তূমিন্না ফংই, মমলদি য়াম্মী ৭০০/৮০০/৯০০/১০০০ মন্তিক্লরুরদি লৈত্রে লোইখ্রে 'সিনি। ভি আই পি কোলোনিদদি চঙহন্দে। অমিটাব বচ্চনগী মচা-মমৌ (অশ্বারিয়া রাই অমসুং মচানুপা অভিসেক বচ্চন) টিরুপতিগী ভি আই পি কোলোনিদা এপার্টমেন্ট ময়াম এদভান্স বুক তৌরগা, ইনভাইটিজ ময়াম লৈহন্দুনা টিরুপতিগী নিংথিজরবা মন্দিরদা ধুম-ধাম তৌদুনা য়াম্না চাউনা লুহোংখি। মখোয়গুম্বগী ফজখ্রবা ভি আই পি লৈফমশিংনি, অখন্নবা সিক্যুরিটিনা ঙাক শেন্দুনা থল্লিবা, মীচমশিং চঙহন্দবা মফমনি। উচিন নাচিন্না মীচম মীয়ামগী লৈননবা ইচম চম্বা হোটেলগী দবল বেদ্দেদ কা অমগী মমল লুপা ৪০০ থাবদু ৮০০দা ফংহৌবদগী নিংথৌগী পাঞ্জক্লম খল্লক্লে। ত্রেনগী টি টিদগী কোইচেন চেন্দুনা হুমাংনা পুমচোৎ চোৎলগা শেল পীজদুনা ঙাঙনরগা ফংলকপা রিজার্ভেসন সিটকী টিকেৎ ফংবগুম নুংঙাইরে। হোটেলদুদা পোৎ চৈ থাংজিল্লগা ঙাইহাক নুংঙাইনা পোত্থারগা মায় মিৎ তাথোক্লে, হকচাং শেংদোক্লে। তশেংবদি ঐখোয় মতমদুদা ওনলাইনদা টিকেট ককপগী মরমসি ফজনা খঙদ্রিবা মতমনি। মোবাইলগী কান্নবা ফজনা খঙদ্রিবা, ভিদিও, ফোটো নম্বদগী হেন্না মোবাইলগী শীজিন্নফম খঙদ্রিবনি।

লাই খুরুম্ফম খুভম ওন্থোক্লা য়ামখ্রে। ময়াম পরেং পরেং লেপ্পরিবদুদা লেপশিল্লে। শম দান তৌফম, লু কোক্কদৌবগী পরেং ওইরমদুনা তোক্লে। ঐখোয়না পরেং লেপ্লুরিবা পরেংদুদি ঐখোয়গী 'শম' অসি দান তৌথোক্লগা 'লু' কোকথোক্লগা সৈন্যাসি অমগুম্না টিরুপতি মহাক্লা চানবীরগনি খঞ্জরিবশিংনা 'লু' কোক্লবা পরেং লেংনরিবা মফম ওইরম্লে। মফমদুদৈ প্রপ প্রপ চেন্থোরক্লে। অশাংবা পরেং অমদা অমুক লেপ্লুই, পৌ নম্বগুম্না থেঞ্জাং-থেঞ্জাং নাইনা থাজিল্লি, করিগীনো হংবদা পাউ ফাওনদে। হিন্দি, ইংলিস ফজনা লোন্দে, ঙাঙনদে। চেন্নাই এক্সপ্রেস সিনেমা য়েংবদা শাহরুক খাননা মরোল খঙদবা গুন্দাশিং থেংনরুবদা ওইখিবা ফীভমদু তানফমসিদা শৎ হেক্তা নীংশিংলকই। ●

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৫

১) **''বামোন ঈবেম্মা অঙৈংবী''** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

২) **''পলহৌরবা কাউশিং''** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো অমসুং কনানা ইবগে?

৩) **''ইন্দিরা:ইন্দিরা নেহরু গান্ধীগী পুন্সি ৱারী''** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল রাইটর কনানো?

৪) **''ঈথক মচাশিংগী ৱাহং''** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?

৫) **ইদোম য়ুমদোমপোকসিদা**
**মুশি-মুশিরবা**
**আশাগী উচান মৈরাসে পায়রগা**
**ঙাইরিবনি ৱানা নঙবু হল্লকপা।**
**নঙনা থুংলরবদি**
**লৈতেংলনি ঐসু য়েন্নিংথাগী ফজবনা।**
শৈরেং অসি মণিপুরগী মপান লমগী শক্লাইবা অইবা অমগী শৈরেং লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অইবা অসি কনানো? লৌথোরক্লিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৪গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিং*

১) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (১,২,৩,৫)

***২) লৈশাংথেম দয়ানন্দ মীতৈ, লংথবাল লেপ মখা লৈকায় - (১,২,৩,৫)***

৩) অনন্দকুমার খুঞ্জামযূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৫)

৪) থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনীং লৈকায় - (১,২,৩,৫)

৫) হিজম অজেম, পাৎশোই পার্ট-৪ লাই হরাওবুং মনাক - (১,২,৩,৫)

৬) রাজকুমার গিরীন, পুরানা রাজবারি নোংমৈবুং - (১,২,৩,৫)

৭) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,২,৩,৫)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৭৪গী ৱিন্নর*

***লৈশাংথেম দয়ানন্দ মীতৈ, লংথবাল লেপ মখা লৈকায় (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)***

**লিটরেরি ক্যুইজ ৭৪গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৪গী পাউখুম

১) **''পোইরৈ নাৎকী ৱারেং''** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো? **:- অইবা - নাউরোইবম ইন্দ্রমনি, ফোঙবা চহী ২০১৫।**

২) **''কুরঙ্গনয়নী''** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল রাইটর কনানো? **:- মণিপুরীদা হন্দোকপা - কোন্থৌজম জীতেন্দ্র সিংহ, ওরিজিনেল রাইটর - ইলা বরগোহাই, ফার্ষ্ট ইমপ্রেসন : জুলাই, ২০২২।**

৩) **''নুমিদাংৱাইরমগী চিগোংলৈ''** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপান লমগী মমিং লৈরবা অইবা অমনা ইবনি। অইবা অসি কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্লো? **:- অইবা - এ কে শেরাম, লাইরিক্কী মখল- ৱারীমচাশিংগী খোমজিনবা, ফার্ষ্ট এদিসন : এপ্রিল, ২০২৩।**

৪) **''হুন্দোক্লমই উনানা উপালবু নাকেন্থাদা**
**ফুদৎপদা -**
**লাংবনগী শারবা নুংশানা**
**ৱাকচিংগী উন পুবা নুংশিৎনা**
**কপ্লি উনানা হুন্দোক্লন্নবা পামেল।''**
শৈরেং মতেক অসি শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। অইবা অসি কনানো অমসুং লৌথোরক্লিবা শৈরেং লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে? **:- অইবা - জিতেন ওইনাম্বা, লাইরিক্কী মমিং - কেনভাসতা তারকপা পিরাংনা, লৌথোরকপা শৈরেং - কাউদ্রি ঙসিসু নাকেন্থাগী চৈনা, অহানবা ফোঙবা : ওগষ্ট, ২০১৮।**

৫) **''লোইয়ুম্বা''** হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো অমসুং কনানা ইবনো? **:-অইবা - সোনিয়া খুন্দ্রাকপম, লাইরিক্কী মখল - উপন্যাস, অহানবা ফোঙবা : খৃ: ২০১৯, মার্চ।**

# খুন্নাইদা অওনবা পুরকখিবা য়াওল্লোয় ইরাবত –২

**- সোতিনকুমার -**

জননেতানা লমজিংখিবা মতমদুগী মপাঙ্গল কল্লবা লূপ ওইরিবা মহাসভানা 'হিন্দু' হায়বা ৱাহৈসি লৌথোক্তুনা ফুরুপ অতৈসু কোনশিন্দুনা 'নিখিল মণিপুরী মহাসভা' হায়না অকোনবদা মমিং ওন্থোরকখি। সোসিয়েল রিফোর্মেসনদা মরু ওইবা ঈহৌগী খোঙজং ওইরকখিরম্মী। মদুনা মপাঙ্গল কনবা লূপ অমা ওইরবা মতুংদগীদি সোসিয়েল রেভল্যুসনগী অশেংবা লম্বীদা খুৎমাবা হৌরকখি। খুন্নাই অমদা চৎনরিবা অরিবা লোনচৎ, মীনা মীবু ওৎপীরিবা অদু মরূ ফুক্লা মাঙহনখিবা হায়বসি লৈঙাক্লোনগী শক্তি মীয়াম্না পায়রবা মতমদা ওইথোকই হায়বসি মহাক্লা য়াম্না মুন্না খঙই। মরম অদুনা টুটেল রেভল্যুসন অমা পাঙথোকপা য়ানবগীদমক মহাসভা অসি পোলিটিকেল পার্টি অমগী তঙাইফদবা তাঞ্জা য়ৌরকখ্রে। নিখিল মণিপুরী মহাসভাগী মরিশুবা মীফম (চীংঙা সেসন) দগীদি পোলিটিকেল পার্টি ওইরে। চীংঙাদা ফমখিবা মরিশুবা মহাসভাগী মীফমনা লৌখিবা ৱারেপশিংগী মনুংদা অওনবা খুন্নাই অমা পুরকপদা মরু ওইখিবা ৱারেপশিংদি- মণিপুরদা পুর্নদায়ত্বশিল সাশন (ফুল রেস্পোন্সিবল গভর্নমেন্ট) লিংগদবনি, সবালোক ভোটনা (এদল্ট ফ্রাঞ্চাইজ) মীখল তৌগদবনি, খুঙ্গংদা পঞ্চায়েট অমদি অনা লায়েংশঙ লিংগদবনি, খুঙ্গং খুদিং স্কুল লিংগদবনি, ফ্রি এন্দ কম্পলসরি প্রাইমারি এদ্যুকেসন পীগদবনি, লৌগী খাজনা লুপা ১২দগী ৬ তা হন্থগদবনি, চীং পাৎ তুরেল নিলাম কক্কদবনি, চীং তমগী লৈঙাক পুনগদবনি। নিংথৌগী লৈঙাক মুথৎপা, মীখল পাঙথোক্তুনা মীহুৎ খল্লগা লৈঙাকলোনগী শক্তি পায়হনবা অমদি লাঙ্গোল পায়বনা লৌগী মপু ওইগদবনি, হায়বনচিংবগী দিমান্দগা লোয়ননা ঈহৌ চঙশিল্লকখি। লুচিংবা ইরাবতনা মহাক্লা পায়রম্মীবা সদর পঞ্চায় মেম্বর ফম মার্চ ১৫, ১৯৩৯ দা থাদোকখি অমদি খুঙ্গংদা লৌমী অমগী পুন্সিগুম্না হিংবা হৌরকখ্রে। বীপ্লবি হিজম ইরাবতনা পৃথিবীগী অমদি ইন্দিয়াগী খরা হেন্না খুমাঙ চাওশিল্লকখিবা ঈহৌশিংদা ইমা লৈবাকপু শৈথাবা ঈশৈ অমদি শৈরেংশিং লোয়ননা মীওৎ মীনৈদগী অরান খুভম ফংনবগীদমক্তা অপুনবগী শক্তি শাগৎপগী লায়র-অনং, অতোন অতা খায়দবগী নীংখা তন্না হিংবদা শৈথাবা শৈরেং ঈশৈশিংনা নীংখা তম্বগী লাঞ্জং চঙশিনবদা থৱায়না পোন্থা পীখিবদা নাচুংহনখিদবগুম মমা লৈবাক মণিপুরদা নিংথৌ অমদি লোইলম লৈঙাক্লা সুদৎপীরবা ইরৈবাকচাশিংবু য়াইকাইহন্নবগীদমক্তা য়াইকাইরোল ঈশৈ কয়া ইদুনা মীকপ থোকহন্নবা হোৎনখি।

মতমদুগী মণিপুর সমাজদা পোৎ পুথোক্লিবগী মরু ওইবা পান্থৈদি লম (লৌউফম) হায়বসিনি। লৌমীশিংনা লৌ উবগী লম মশানা মপু ওইজবা হায়বসি মান্নবা খুন্নাই অমদা হিংমিন্নবা হায়বগী লম্বী য়াৎপনি। ইরাবতনা ইরম্বা ৱারেং শৈরেংশিং নৈনরুরগা খঙবা ঙম্মী মদুদি মহাক্কী ৱাখল্লোন অসি এন্টিফ্যুদেল, এন্টি ইম্পেরিয়েলিষ্ট, এন্টি ফেসিষ্ট ওই। অদুগা মহাক্কী মরু ওইবা পান্দমদি দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমা অমসুং মান্নবা খুন্নাই অমগী শেম্মিৎলোনদা অওনবা পুরকপনি।

কুমজা ১৯৩৯ দা মণিপুরদা ফৌ চেঙ তাঙবনা মরম ওইদুনা নুপীলাল হৌরকখি। দিসেম্বর ১২দা সিফাইগী সঙ্গিন্না থিনবদা ঈহৌসিগা মরী লৈননা ইমা ইবেল অশোক অপন নংলে, নুপীশিংনা হৌরিবা ঈহৌগা মরী লৈননা মীয়াম তিনবা মিটিং অমদা ঈরাং হেন্না শাগৎপা ৱা ঙাঙলুবগীদমক ইরাবতপু লৈঙাক্লা ফাজিনখি। চহী অহুম ফাদোক তারম্মী। সিলেট জেলদা থাখি। মনুংদা মতমদুগী কম্যুনিষ্ট লুচিংবশিংগা তোৎন-তিন্ননা লৈমিন্নখি। জেলদা মার্ক্সিষ্ট, লেনিনিষ্টগী লাইরিক কয়া পারম্মী। সিলেট জেলদগী কম্যুনিষ্ট ওইরকখ্রে। জেলদগী থোরক্লগা মণিপুরদা চঙবদা কম্যুনিষ্ট ওইখিবদগী অথিংবা লৈরিঙৈ মনুংদা কাছারদা মহাক্লা লৈরিঙৈদা লৌমীশিংগী ঈহৌ শাগৎখি, ধর্ম্ম মান্নদবা, জাৎ মান্নদবা তোল্ল-তারবা লৌমী শিন্নীগী লুচিংবা ওইরম্মী, কুমজা ১৯৪৩দা কম্যুনিষ্ট পার্টিদা য়াওরবা মতুং ১৯৪৬ দা কছারদা কম্যুনিষ্ট মীরেপ ওইনা ভোট লেপখি। অনীশুবদা লৈহৌই। কছারদা লৌমীশিংগী অরান খুভমগীদমক ঈহৌ শাগৎখিবদুগী ইকাই খুন্নবা উৎপা ওইনা মহাকপু 'জননেতা' মিংথোন পীদুনা ইকাই খুন্নখি। মফমদুদগী মে ২৩ দগী জুন ১ ফাওবা, কুমজা ১৯৪৩ দা বোম্বেদা পাঙথোকখিবা সী পি আইগী অহানবা মীফমদা শরুক য়াখি।

কুমজা ১৯৪৬তা মণিপুরদা হল্লক্লবা মতুং মীয়ামগী লূপ কয়া শেমগৎতুনা জাতি অসিগী শেল থুম, সমাজ সংস্কৃতি, রাজনীতিগী মায়োনদা অহোংবা অওনবা কয়া পুরক্লবা থেংনখি। নীংতল্লবা ভারতকী মনুংদা হেন্না মনীং তম্বা পীবা ষ্টেট অমা ওইনা লৈহন্নবা কুমজা ১৯৪৬গী এপ্রিল ৫দা নিখিল মণিপুরী মহাসভা অমসুং মণিপুর প্রজা মন্দলগী শুপ্না ফম্বা মীফমনা পুর্নদায়ত্বশিল সাশনগী ৱারেপ লৌদুনা ফেদরেলিজমগী অকনবা ঈথিল পীখি। কুমজা ১৯৪৭ কী নবেম্বর ৩০দা এম দি য়ু হোলদা নাগাশিংনা তোঙানবা ষ্টেট শেন্নবগী ৱাফম লাকপদা মণিপুরগী চীং তমদা লৈরিবা জাতি পুন্নমক্কী অপুনবা মীফম কৌদুনা য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট শেমখি। অপুনবগী শক্তম ঙাকখি। কুমজা ১৯৪৮ অহানবা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনদা উৎলৌ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী কাখি। কুমজা ১৯৪৮ ফেব্রুৱারী ২৮ দগী মার্চ ৬ ফাওবা কলকাতদা ফমখিবা অনীশুবা সী পি আইগী মীফমনা খুৎলায় পায়বগী লালহৌ চঙশিন্নবা ৱারেপ লৌবদসু কমরেদ ইরাবত অসামগী মীহুৎ অমা ওইনা য়াওখি। কুমজা ১৯৪৮গী অগষ্ট ২৩দা মণিপুরদা কম্যুনিষ্ট পার্টি ইরাবতকী লমজিংদা লিংখৎখি। সেন্টর লৈঙাক্লা মণিপুর, ত্রিপুরা, লুসাই হিলস অমদি কছার দিষ্ট্রিক্ট পুল্লগা পুবর্বাঞ্চল প্রদেশ হায়না কৌবা ষ্টেট অমা ওইনা শেন্নগনি হায়রকপগী মায়োক্তা সেপ্টেম্বর ২১, ১৯৪৮ দা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম ঙাক্লবা হৌরকখিবা আন্দোলন অমসুং পুংদোংবম থৌদোক অদুনা মহাক্কী মথক্তা ৱারেন্ট থমদুনা অন্দরগ্রাউন্দ তাহনখিবদগী এসেমব্লি মীফম অমত্তা য়াওবা ফংখিদে।

কুমজা ১৯৪৮গী সেপ্তেম্বর ২১ গী ''পুংদোংবম ঘটনা'' মতুংদা হেনফদনা অন্দরগ্রাউন্দ তারবা মতমদা দিসিপ্লিন লৈবা কম্যুনিষ্ট পার্টি অমা শেমহৌদবগী খুদোংথিবশিং মথং মথং উনরক্লমই। মরম অসিদগী আগষ্ট ২৩, ১৯৪৮ দা মণিপুরদা কম্যুনিষ্ট পার্টি, দি ও সীগী থাক্তা লিংখৎখ্রবসু কম্যুনিষ্ট পার্টি অমা ওইবগী নিয়ম নীতি দিসিপ্লিন ৱাৎপনা মরম ওইদুনা নীংথিনা ফঙ্কসন তৌবা ঙমখিদে। অশোয়বা কয়াসি উরক্তুনা কমরেড ইরাবতনা সেল্ফ ক্রিটিসিজম পীখি। পুংদোংবম ঘটনা মতুংদা আন্দরগ্রাউন্দ তাখ্রবদা অমুক হন্না কম্যুনিষ্ট পার্টি ওক্তোবর ১৯,১৯৪৮ দা দি ও সীগী থাক্তা রিওর্গেনাইজ তৌদুনা শিংথানবা য়াবা থবক কয়া পাঙথোরকখি। মণিপুরগী মীয়াম্না য়ারবা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওইরকখিরমই লোয়ননা মীয়ামগী স্বার্থদা দাবী কয়া পুখত্তুনা সোসিয়েলিষ্ট রেভল্যুসনগী খোঙজংদা খুৎলায় পায়দুনা অকনবা লাঞ্জং কয়া লেপ্তুনা চঙশিল্লকখি।

কুমজা ১৯৫০গী মে থাদা পার্টি সেন্টরদগী অয়াবা লৌদুনা কমরেড ইরাবতপু বর্ম্মাদা থাখি লোয়ননা সেপ্তেম্বর ১১ দা থুংখি। বর্মাগী কম্যুনিষ্ট পার্টিশিংগা অচেৎপা মরী থন্নরল্লগা পাউদম্লুনবা থোক্লকপদা লম্বীদা নারকপদগী কুমজা ১৯৫১গী সেপ্তেম্বর ২৬ তা বর্মাগী তাংবোদা পুন্সিগী অরোইবা য়াহিপ তানখি।

ঙসিদি ইরাবতকী পুন্সি, থবক, পান্দম, ৱাখল্লোন খিবিক অসিমক খ্বাইদগী মরু ওইরক্লে। লমদম অসিগী, জাতি অসিগী, মালেম অসিগী, ওল্লক্লিবা খোঙথাং অসিদা মহাকপু নীংশিংবগী, নৈনবগী, তুংইনবগী, তঙাইফদবদুনি হৌজিক্তি। কল্লকপা, কোন্সিল্লগা নাকোয়ননা চিংথনবা হোৎনবা, মহাক্কী ৱাখল্লোন অমত্তা য়াওদনা নুংশিবা শাদুনা কোন্থুনবা হোৎনবা কয়া অমসু য়াওরিবনি। পুন্নমকসি চেকশিনবা মশক মুন্না খঙদোকপা, ইরাবতকী অশেংবা মশক নীংথিনা কন্দুনা থম্বা, পুখৎনবা হোৎনবা চঙই।

ঙসিগী লমদম অসিগী অপুনবগী শক্তম থুগাইনবা নার্কো কুকি টেরোরিষ্টশিংনা ফোংনা শীংনরকপা, নুপীশিংগী হক খোংগাউনবা, লায়র অতোনবশিংগী পুন্সিদা য়ৈরক্লিবা চৈথেং, পোৎচৈ তাঙবা, থবক ফংদবা নহাশিংগী তুংগী আশা উরক্তবা, কেপিটেলিজম অমদি ইম্পরিয়েলিষ্ট গ্লোবেলাইজেসনগী অকিবা ফংলবা অকনবা শাফুনা য়ৈশিল্লকপা ফীভম অসিদা মহাক্লা লেপ্লন্বা, থেংনরম্বা নৌহৌননা নীংশিংদুনা জননেতা ইরাবতপু মশক শেংনা খঙবা, মহাক্কী পুন্সি, থবক অমসুং ৱাখল্লোন মমুৎ তানা নৈনবা, অচুম্বা অশেংবা অদুমক মাঙদা থমদুনা জাতি অসিনা মাঙলোমদা চৎখৎনবা হোৎনবদা মহাক্কী নীংশিং থৌরমশিং পাঙথোক্তুনা অনৌবা মণিপুর অমা শেমগৎলসি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।